[illegible]
ইরৈবাক
ইম্ফাল, জনুবারি ১৫, ২০২২

কানি পান্বী য়াম্থৎপা

চীংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক্তক্লনা থারম্বা কানি পান্বীশিং য়াম্থৎপা অসি লোইবা খক নাইরোইদৌরি। য়াম্থৎখিবা মফমদুদা কানি পান্বী থাবা য়াবা মতম য়ৌরকপদা পাক্তক্লনা অদুম্মক হৌরকখিগনি। কানি পান্বী থাবসি মরু ফুক্না মাংহনগে হায়রবদি কানি পান্বী থারিবা খুঞ্জাশিংগা মনিপুর লৈঙাক্কা ৱাখল তামিন্নবা চংই। মনিপুরদা ময়াই কাবা নিষা থিংনবগী পান্দমদা লৈঙাক্কী মতম লোইশিল্লক্কদৌরবা বি জে পি না লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ৱার ওন দ্রগ লাউথোক্তুনা কেম্পেইন চংশিল্লক্লি। কেম্পেইন অসিদা পুলিস, নার্কোটিক সেল, নার্কোটিক এফিয়াস বোর্দর অমদি অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা চেক তৌদুনা মখল কয়াগী ময়াই কাবা নিষাগী পোৎলমশিং ফাগৎলি। ফাগৎলিবা নিষাগী পোৎলমশিং অসি ইন্টরনেস্নেল মার্কেটকী ভেল্যুদা লুপা ক্রোর / ক্রোরনা খুজিং ওইরি। ময়াই কাবা নিষাগী পোৎলমশিং লল্লোন–ইতিক তৌরিবা অসি মচা মশু নত্তে। শেঞ্জাও পায়বা, অঙম অথৌ কয়াগী মরক্তগী লল্লোন ইতিক অসিদা য়াওরব্রা হায়বসি মীয়ামগী ৱাহংনি। ময়াই কাবা নিষা লল্লোন ইতিক তৌবদা চেন্নবশিং ফাগৎপদা অঙম অথৌ কয়ামরুম চেন্নরম্বগী থৌদোক কয়াসু লৈখ্রে। অদুবু লল্লোন ইতিক্কী থবক্তি লেপ্পা নাইদ্রি। ময়াই কাবা নিষাগী পোৎলমগা কোন্ননা ষ্টেট ফোর্স অমদি অসাম রাইফলসনা নোংম কাংদনা ফাগৎপা লেপত্রি। ময়াই কাবা নিষাগী লল্লোন ইতিক তৌবা হেনগৎলকপসিনা মনিপুরগী মীয়াম ময়াই কাবা নিষাগী ঈপাক্তা লুপখিবা য়াবগী ফিভমদা লাক্লবনি।

ময়াই কাবা নিষাগী পোৎলমশিংগী মনুংদা কানি অসিসু মতিক ময়াই য়াম্না কনবা অমনি। কানিদগী মখল কয়াগী ময়াই কাবা নিষাশিং শুংদোক্লি। অতাংবা মমলসু ওইরিবা কানি পান্বী মনিপুরগী চীংগী মফম খরদা খুঞ্জাশিংনা পাক্তক্লনা থারি। থারিবা পান্বীশিংদু খুঞ্জাশিং অদুনা ময়াই কাবা নিষা ওইনা শিজিন্নবগী খক নত্তনা খুঞ্জাশিংগী শেন্দাল লম্বী ওইনা থারিবনি। অতোপ্পা মহৈ মরোং থাবদগীদি কানি পান্বী থাবসিনা শেন্দোং লৈবা হেল্লি। মরম অসিনা কানি পান্বী থাবদা খুঞ্জাশিংনা অকিবা ফাওনদ্রিবনি। মতম মতমগী ওইনা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংনা য়াম্থৎলিবা কানি পান্বীশিং একর কয়ামরুমদা থারম্বা ঙাক্তনি। য়াম্থৎলিবা অসিদা খংদবা উদবা মফমশিংদদি অদুম্মক চিংখহৌরিবনি। মসিগী মহুত্তা অতোপ্পা শেম্থোক লৈবা পান্বীশিং থাননবা লৈঙাক্লা চীংগী লুচিংবশিংগা ৱাখল তামিন্নখ্রে। লৈঙাক্কী খোঙথাং অসি খুঞ্জাশিংগী মরক্তা শৌগৎলদুনা থারম্বা কানি পান্বীশিং খুঞ্জাশিংনা য়াম্থৎপসু লৈখ্রে। মসি য়াম্নমক পুক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি। অদুম ওইনমক খুঞ্জা খরনা পাক্তক্লনা কানি পান্বীশিং থাবগী থবকসি অদুম্মক চখরক্লি। সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা কানি পান্বী য়াম্থৎপগী খোঙজং চখরকপসিদা কানি থারিবা মপুশিংদি ফাগৎপা ঙমদ্রি। কানি থারিবা মপুশিং ফাবা ঙমদ্রবসু লম অদুগী মপু ফারগা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবগী ফিরেপ অমা লৈখ্রবনিনা কানি পান্বী থাবা থিংবদা পান্বে অমা ওইরগনি। মরম অদুনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা কানি পান্বী য়াম্থৎপগা লোয়ননা থারিবা মপুদু ফাবা ঙমদ্রগসু থারম্লিবা লমগী মপু ফাগৎপা মসিনা কানি পান্বী য়াম্থৎপগী অরাইবা পান্বে অমা ওইগনি।

মীওইবগী পূন্সি অমসুং চিঙ্গাক

শগোলশেম ইন্দ্রমনি

শঙ্গোম থকপনা হিংনবগী ওইবা থৱায়গী পাঙ্গল হেঙ্গৎহল্লি। নম্বা, নানবা, তাং থেকপা কান্নগনি। মাংবা য়াদ্রগা ঈশিং খরদনা এনেমা তৌ। শোনবনিনা ঈশিং য়াম্না এনেমা তৌগনু। শোন্থবা হেনগনি। ঈ হাথরিবমখৈ ফমুংদা তুমীন্না লৈহল্লু। খোঙলোমথংবা কাংথোল মখোঙ অদু চেক ২ না ৱাংখৎহল্লু। গ্রেভীটেসন্না ঈ অদু থোকহল্লোই, নৎত্রগা নীংদু মখৈ মোন মচা অমনা ৱাংখৎহল্লগা লোংনা হিপতুনা লৈহল্লু।

য়াম্না শাথিনা চৎলবদি ঈশিংদা লুপ্পা খুদৈ মচা অমা কংনা শুমদোক্লগা নীংদুদা য়েত্তুনা থম্বা কান্নে। ঈ চৎপা লেপখ্রবদি লোংনা হিপ্লগা চনীং অমসুং য়াঙগী শাজেল অয়ুক শঙ্গোম থক্ত্রিঙৈদা খর খর তৌবা তমগনি। ফগৎলকপগা লোয়ননা লেংজুম, খ্বং, নঙ্গন নোইবীবা, থেক্তোক-থেকচিন শান্নবীয়ু। শাজেন হেন্না তৌবসু য়াদে। ৱাকিং খর খর হেনগৎনা চৎপা তমগনি। হেক লাকপগা লেপকনি। অমুক চৎকনি, সারজনশিংনা শেংদোকপগী (cute ment) থবকসু তৌই।

অনাবা তোং অমসুং (অঙাং) থা লেপখিবগী পোৎশক পক্তুনা ঈউটরসতা লৈবদি কান্নে। অদুবু ফত্তবা নমথিবা য়াওরকপদু শঙেঙ্গাম সের ৫/৬ থক্লগা চামথোকচখি, লোইননা শেংদোকখি। পথ্ব-পুমথহন্দবা, অশাবগী দুষনা শেংদোকপা, চরা হেনবা অমসুং হকচাং পূম্বগী ওইনা ফগৎনবা লায়য়েংনা খ্বাইদগী কান্নবা মহৈ ফংগনি। কনাগুম্বা স্পেসিয়েলিষ্টশিংনা থোইদোক-হেন্দোক্লা পথ্ব পুমথহন্দবা অশাবা মনিল ইউটরসতা থাজিল্লি। অদুবু বেরা শিকা চেন্দবা চুম্নগী হকচাং শাজেল, চরা হেনবা, চাবগী নিয়ম চুমথোকপা, থৱায় পাঙ্গলগী শাগৎচনবা লাক্লবদা থৱায় য়াওরবদি খ্বাইদগী লাকচবা লায়য়েংনি। খাগী শমদু তপ্না তপ্না চীংদুনা শান্নরগা ইউটরস শুপচিন্দুনা ঈ হাথবা থীংই।

মেন্স লেপখিবা -

মেন্স লেপখিবা হায়বদি থোরক্তবসি চেনথোরকপা ঈচেন্দা বেরা তৌবনি। থিংখিবা হায়বসি লাক্তবগা খেন্নে। চত্তনা মনুংদা লৈখিবা হিমেন শেগাইদনা তত্তনা লৈবা, ইউটরসকী মঙক অদু ফাজীনদুনা লৈবা ইউটরসকী ঈ চেনফম অদুগী মচীন অদু ইউটরস পৈনা লৈদুনা শুপচিনবদগী লাকপা লায়নানি। অথিফমগী উনশা অদু নাবা য়েকপদগী শম্ননা নপশিন্দুনা লৈবদগীসু ওইখিবা য়াই। হিমেন অসি শেগায়দবা হায়বদি হোদবদগী পুন্দুনা ঈ লাক্তবসি নুপীমচা অয়াম্বদা থোকই। মমানা ঈরুজবিবদা পীক্লিঙৈদা তৎখিবনা নমই। মাদু নৎত্রবদি শারেপ ফারক্লবা ফাওবা ফাজীন্দুনা অদুম লৈবসু য়াওই।

মেন্স পন্দুনা লৈখ্রবদি চনীং লুমই। অরুম্বা পোৎ অমা লৈবগুম খল্লি। য়াম্না নুংঙাইতবা অমা ওইনা ফাওরকই। অসিমক্লা মীরোন্নবগী ময়াই অমা পী। ইউটরস অদু মমাঙলোমদা কোন্থরকপনা অনিথোক্লা থুপচীনবা অদুনা মথকথংবা মতোন অদু য়ৈশীন্দুনা মওংদি হোংদ্রগা ঈউটরসকী মঙক অদুগী মওং হোংদনা লৈরগা ব্লাদারদা অপনবা পী। অমনা ঈউটরস অদু তুংলোমদা অনি থোক্লা লোন্নদুনা লৈবা, মচীন্দি অদুম লৈরগা কোন্থরকপা অদুনা রেকটস্গা থাগী থোঙগা শম্ননা নমথরকপা পীবা অসিদগী ঈ পন্দুনা লৈখি। মসি চুমথোকপা তাই। অদুগা লোয়ননা ইউটরসকী মচীন ফাকথোকপা, অপুনবা লৈরবসু লৌথোকপা, হিমেন হোহনবা অরাইবা থবক ঙাক্তনি।

কর্সিঃ স্নেহ পব্লিকেসন্স

ঐগী ইমা – ৪৭

থোকচোম বিনাপাণি

'ঙসিগী ওইনদি শি ওইনা লীৎপীরো।' ফুরিৎ অদু পীরম্লগা বসন্তিনা মপূক্লিংদা মওল–মওল খল্লম্মী। করি মরমগী মানা অসুম্না শাউরিবনো! অমুক্তা অসুম্না শাউখিদ্রি। মদুগী মতুং প্রেসকী মী ময়াম্না নুপা অদু ফারগা থংনবা কাদা থোং লোন্সিন্দুনা থমখ্রে। ময়াম লাংনবা অদুদা নুপামচাসু থোকখ্রিবা থৌদোক অদু দেবদা করিনো হায়না হংবা লাক্লম্মী।

দেবনা হায়রকই,'পাবুং ঐ শাওবা খরা হেনমনখ্রমাল্লে। থোকখ্রিবা ৱারীশিং অদু দেবনা শীৎ নাননা তল্লম্মী। মহাক্না হায়রকই,'পাবুং ঐদি ইমাবু য়াম্না নুংশিজে, ঐগী ইমাদ নত্তে পৃথিবীদা লৈরিবা মমা পূম্নমক ঐনা য়াম্না ৱাংনা থমজে।' অসি হায়রগা মমিত্তা ইরা চেল্লগা তুমিন্না লৈখি।

নুপামচানা,'অদুদি নংনা অমুক ফুরে, ঐনা অমুক ফুরুগেনে। মমাবু হাৎনিংই হায়দুনা খবরদা হাপ্পীয়ু হায়রবদি ফুবা তাবনি। মখোঙ–মখূৎ পুল্লগা থম্মু। ঐ থনা কৌগে, থনা কৌগে, থনাদা পীথোকখিসি।' অদুগী মতুংদা নুপা অদো প্রেস তা লৈরিবা মীশিংদুনা ফুবসু য়াওই নোকপসু য়াওই।

নুমিৎ অদুদা নুপামচানা দেবদান হায়বা অঙাং অসে শাওরগা শাথিবা মতিং লৈবা, মমা নিংবা নুপানি হায়বা খংলম্মী। রাণীনসু দেবদা তোপ তোপ্পা মগুণ খরা উবা ফংলম্মী। হায়ফম খংদদুনা রানীনা হায়রকই,

'ঐদি ইচম চম্না অচাপোৎ খরা পুরকপনি।'

দেবনা হায়,'চারসি পুরক্লো।'

----- ------- -----

য়ূমদা হল্লক্লগা দেবনা মমাগা ৱারী শারম্মী। মমনা হংই,'কৈদৌরে তুমীন্না লৈরবদি! চাক চারসি, নমাই–মমিৎ তাথোক্লুরো।'

চাক চাবা মতমদা দেবনা মমাদা হায়,'ঐখোয়গী প্রেসকী মপু অদুগী মচানুপী অমা লৈ। মমিং রাণী কৌই। মাসু হন্দক বি এ গী অরোইবা পরিক্ষা থাগদবনি।'

মমানা হায়,'নংগা মাগা ৱারী হেক হেক শান্নবরা?'

'শান্নে, অদুগা ঐঙোন্দা অচাপোৎসু য়াম্না পীজৈ।'

মমাগী থম্মোইদা খঙহৌদনা নুঙাইবগী ইহুল অমা লাকপগুম তৌই। শাংলবা মতম অসিদা মাগী মচানুপানা নোংমতা মশুং–মমান্নবীগী ৱারী শাখিবা লৈত্রি। ইখং খংহৌদনা পল্লকপা অসিদা অঙকপা পোকই, নুংঙাইবসু পোকই, অদুগা নোকফেৎ তৌনা হংই,

'নংনদি মঙোন্দা করি পী, করি পীজৈ?'

দেবনা করিমত্তা পীদে হায়দুনা মঙক হাইরম্মী। মমানা মুরুম মুরুম শোল্লি। 'নংসু নপাগা চপ মান্নে। মীনা পীজরক্লবদি নঙসু পীজগদবনি। অদুফাওবা খংদবা। নখোয়গী ববাসু অদুম্না তৌই। মানা ঐগীনি হায়দুনা করিগুম্বা পোৎশক অমত্তা তমদুনা পুরক্তে। ঐনা লৈবিরকউ হায়রবসু লৈবীরক্তে। করিগীনো খঙদে মাসু অঙকপা নুপানী। লৈবীরক্তে হায়দুনা ঐনা মঙোন্দা ৱাকৎপসু তৌখিদে। মীগীদি লৈম্মীন্নরিবা। মৌ ময়াম অসে মাগী মগী নুপানা ফী–রোল, পোৎ–চৈ য়াম্না লৈবীরকপা উই। ঐনা মীহৌরুবগী ৱাসু নত্তে।'

মমানা মুরুম মুরুম শোল্লিবদো দেবনা ময়েক শেংনা তারম্মী। অৱাবনা ময়ুম কারগা নুঙাইবনা মফেল ফেল্লিবা পূন্সিদা পীক্ল–পীক্লবা বীন্দ কয়া য়াওরম্মী হায়বসে মহাক্না খংলকই। মমাগী ওন্ন–তৈনবদা মচলনুপী বেবীসনানা হায়নিংবতা হায়, অপাম্বসু মীৎকুপ অমত্তা পনবা য়াদে, পীদবসু য়াদে। হায়জ–নোঞ্জদুনা নীবগী মওংসু নত্তে। মঙক থাঙ্গৎলগা মমিৎ লাওথোক্তুনা য়াথংগী মওংদা তাওথরক্কনি। চাবসু মাগী অপাম্বতা চাহ।

লাইশোন ঈশৈ অমসুং লৈবাক নিংবা ঈশৈদ নোংমাইথেম পহ্যাডী – ০৬

মাখোনমনি মোংশাবা

হে ইমা মনিপুর! খোল্লাং লমন শিংঙল্লোই নঙগী,
মীনুংশি চাউবী হে ইমা, নাউয়োক নাউকোন
কাউজরোই নঙগী, মীনুংশি চাউবী হে ইমা।। ....

ঈশৈ অসি তারুরগা ৱাহং কয়ামুক চোংথোক্লকই – বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা ঈশৈ কয়া ইখ্রে। শৈশকপা অসিনা মহাক্না ইবা ঈশৈ কয়া শকখ্রে। হন্দক্কী লৈপাক নীংবা ঈশৈ অসি করম্না ইখিবনো, করম্বা মতমদগী ইখিবনো, ঈশৈগী ময়েক অসি শ্রীনোংমাইথেম পহ্যাডীনা শক্লনবা অখন্ননা ইখিব্রা? শৈশকলিবা মশানা অসিগুম্বা অমা ইসি হায়না ৱাতানরগা লেংখিব্রা নৈননিংঙাই ওই।

ঈশৈ অসিগী সুর, শৈশক অসিদা শৈশক্লিবা মশামক্কী লু–তোং, থনুং য়ৌনা ফুক্না শৈশেমলকপা অমদি মতিং লৈনা শকলকপগী খোন্থোক অমা লোয়নরি। ঈশৈ অসিখক্ত নৈনবদা অচৌবা মফম অমা লৈগনি। লমদমসিগী শক্লাইরবা নৈনমী অমনা হায়বিখিবা ৱাফম অমত্তং মতাংসিদা পঞ্জরবদা –

'নোংমাইথেম পহ্যডীদি ঈশৈ ময়াম অমা শকলুদ্রগসু মহাক্কী মরৈবাক নীংবা ঈশৈ, খোল্লাং লমন শিংঙল্লোই নঙগী, মীনুংশি চাউবী হে ইমা অসিখক্তুম শক্লগসু অদুম য়ারে।'

কয়াদা ফজখ্রবা ৱাহৈনো ? মসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী মদুদি নোংমাইথেম পহ্যাডীগী অতৈ লৈবাকনিংবা ঈশৈ ময়াম অমা অমুক নৈনরুদ্রগসু হৌজিক পঞ্জখ্রিবা ঈশৈ অসিমখক নৈনবতদা অদুম মপুং ফারগনি। ঈশৈগী ময়েক, সুর, লয়, তাল শক্লিবা মশামক্কী ফিলিং, ইমোসন, পেত্রিওতিজম, নেস্নেলিজম করিমুকক হায়গনি দেদিকেসন পুম্নমক লৈপাকনীংবা ঈশৈ অসিদা লোয়নমক য়াওবা থেংনৈ।

ঈশৈ তারিবা ঐখোয়দা তানা তানা লৈবাক নীংহল্লি, ইরমদমগী ৱাখল খলহল্লি। কনাগুম্বা চিত্রকার অমদি ঈশৈ অসিনা মহাক্কী কেনভাসতা তু রিনা মরৈবাক মরমদমবু নুংশিবগী মচু মচু শোয়দনা চিংনিংগনি। *'ৱাকচীংগী উনগী চৈনাখোল খাঙবদা, পারবা চরৈনা নমদা কুপ্পদা, ৱারে কৌবদা হায়জদবী, নোকপতনা নশরুক ওইরীবী,'* হায়না শৈথারিবী ইমাসি শক্তম ওইনা পুথোক্তুনা হেক্তা য়েক্লিংবা ফাওগনি। য়েকপসু য়াওখ্রে। ঈশৈ অসিগী অরোয়বা শরত্তঃ। চুম্মা শকলম্বদগী *'চীংলৈবাক্কী ইমা মনিপুর, নদোম শাৎলু নদোম ঙাল্লু'* হায়না শাংলবা অৱাংবা নীংশাস্বরদা থনুংদগী শৈশকপা অসিনা শকখ্রিবনি। মসিনি ঈশৈ অসিগী মতীক ময়াই, শাফু।

খুরুমজৈ ইমা পোক্লফম লমদম, শংলেন ফিজোল
থোল্লিবী।। নঙগী লৈরিক্লা শেম্বীরে হকচাং,
ঈশিং নুংশিৎনা হাপ্পিরে থৱায়।
করিদি য়াওরি ইমাগী নত্তবা
ঐহাক্কী অপুম্বা নঙগীনি ইমা।। পুন্সিগী য়াইফ কোরৌসু
নঙনি, কোরৌগী শান্নফম নোংদোলসু নঙনি। নঙগীনি
ইমা পোক্লফম লমদম, কৎচরি পুন্সি থৱায় হকচাং।।
(শৈরেংবা – খুমন্থেম প্রকাশ)

অতোপ্পা লৈপাক্লিংবা ঈশৈ খরদংগা পঞ্জরবদা – *'ইমা, কাউরুরে ঐদি ইমা অমদি অনৌবা কুমগী, অহৌবা নোংসিদা,'* হায়বা অরাম্বম সমরেন্দ্রনা ইবা ঈশৈ অনি অসি মীপুম খুদিংগী চিন্দা পুদ্রিবনা কয়া খঙনদবগুম তৌই। অদুবু ঈশৈ অসিগী ময়েক পারুরগদি ইমা লৈবাক মনিপুরবু খরা লুপশিন্না অমদি লুথনা শৈথাবা ময়েক ওই। ময়েকসিবু করম্না লৈপাক্কী শৈশকপা ওইখিবা নোংমাইথেম পহারিনা শৈপানখিবগে হায়বসিনি।

ইমা, ইমা, ইমা, কাউরুরে ঐদি ইমা, নঙসে অপোকপীনি
ঐগী, থৌশারুদে কৈদৌনুং নঙনা ঐগী ইরমনি, অৱাংবা
নঙগী চীংজাও, অশংবা নঙগী লমহাং, মহৌশাগী
মহৌশানি, লায়না খল্লুই ঐনা।। (শৈরেংবা–অরাম্বম সমরেন্দ্র)
অনৌবা কুমগী,অহৌবা নোংসিদা, অঙনবা কোরৌগী,
ঢ্রাঙানবা মঙালদা, খোইরুম মীনোক তম, হে নোংপোক
লৈমা নীংথিবী, খ্বাংদা সনা ফীগে, কশমদা ক্যাং লীকফাং,
কোম্বীরৈ কুশুমলৈ নাপ্পদা থেৎতুনা, শাগৎলো জগোই থেক্লা
নৌনা।। (শৈরেংবা – কে সি রোবিন)

[illegible]

ইদিটরদা চেল্লকপা পাউথাং

[illegible]

[illegible]



লৌশিংগী পুক্কে - ১০২৮
০৮৯১/০৩

কষ্টদিয়ান, ইথোক-হন্দোকপা ঃ চনম হেমচন্দ্র

ঙ্ঙু য়াৱা খোল্‌চেল্‌লেল্‌।। লাংপল্‌ খোইমু চয়্‌রোয়্‌নাপাপু।। খোইয়ম্‌ কোন্‌লোয় মামিং থানা।। কোরৌ তেখৎখিয়।। ৱাঙ্‌পল্‌ হল্‌খৎখিপাপু।। খোইয়ম্‌ কোন্‌লোয়্‌ মামিং থানা।। কোরৌ তেখৎখিয়্‌।। ৱাঙ্‌পল হল্কৎখিপাপু।। চেংলৌ সরুক্‌ য়ৌরে।। খোইয়ম্‌ য়াৱা খোনচেল্‌লেল্‌।। খোইমু চয়্‌রয়্‌নাপাপু।। লাইরেল্‌ নাপা ময়্‌তিংঙুকা।। নাপল্‌ ময়্‌তই রইমাকা।। নাতারৌয়্‌।। হায়্‌তাপারা।। খোইয়ম্‌ লায়্‌য়িং

ঙঙু য়াৱা খোলচেলেলেল। লাংপল খোইমু খোলদানবা চৈরোইনববু। খোইয়ুম কোনলোই মমিং থানা কোরৌ নোংদোল থকতা হলখৎখিয়ে। ৱাঙপল হলখৎখিববু। চেংলৌ মশক শকউহৌয়ে। খোইয়ুম য়াৱা মখোলজেনলেল। খোইমু খোনজেল খোনদানববু। লাইরেল নপা মৈতিংঙুগা। পোকমাবী মৈতৈ লৈমাগনা উহৌ তাহৌয়ে।। হায়দবরা হায়য়ে। খোইয়ুম লাইয়িংথৌ

লমায় অসিদা ফোংলিবা ফিচর আর্টিকলশিংদা পিরিবা মত অমদি লৌরিবা ফিরেপশিং অইবা মশাগীন– ইদিটর